ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯅꯣꯚꯦꯝꯕꯔ ꯰꯴, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯲꯰ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেন, নবেম্বর ০৪, ২০২১, ইম্ফাল

৪৫শুবা চহী, ২২০শুবা মশীং

# কোভিদ-১৯গী হ্বাইট পেপর

## ত্রান্সপরেন্সিনা য়োম্লগদি পুথোকফম থোকই

মণিপুরনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী মৈশা লাংলক্লিবসি মমাঙ চহী ২০২০গী মার্চকী অরোইবা শরুক্তগীনি। হৌজিক চহী ২ ফাজিল্লক্কদৌরবা ফাওবদা শিৎ-নান্না পুমকোক কোক্ত্রিবনি। লায়না মচীৎ, লাইমন মখাক ওইদুনা লৈরিবনি। নুংতিগী থেংনবা অনৌবা পোজিটিভ কেস মশীং হন্থরক্লবসু পোজিটিভকী চাংদি নবেম্বর ১, ২০২১ ফাওবদা চাদা ৪.৫দা লৈখ্রিবনি। নুমিৎতুগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট মতুংইন্না সেম্পল ১,২৪৫ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ কেস ৫৬ থেংনখিবনি। লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মীওই অনীগী পুন্সিসু মাঙহনখিবনি। ইশম-শম্বদা হৌজিক ফাওবদা মণিপুর 'কোভিদ ফ্রী টেষ্ট' অমা ওইজবা ঙমদ্রি। অদুবু ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা অৱৈবা অমসুং ঙমজবা পাম্বৈশিং অউপ্পা উনা ফাওবা লোংথোক্তুনা থিরগা পায়খৎলকপা অকনবা থবকশিংগী মহয়না ঙসিগী শিংথানিংঙাই ওইরবা ফীভমসি য়ৌরক্লিবনি। মসিগীদমক লৈঙাকসিগী হোৎনজমল লেম্না মাঙদ্রিবনি। লৈঙাকসিবুসু থাগৎপীফম থোকই, তৌবীমল খঙবা উৎপীফম থোকই। মী হায়বসিদি ফরগা ফৈ হায়বীগদবনি, ফৎত্রগনা ফত্তে হায়বা ঙমগদবনি। মসি মীওই অমগী মচৎকি অশেংবা ৱাহন্থোক ওইগদবনি। অদুবু হৌজিক লৈঙাকসিনা মালেমগী ওইনা তমথীরবা লাইচৎসি থেংনরকপদা ষ্টেটকী পুক্কেদা লৈজবা য়ামখিদ্রবা হৈক্রু মনাদা য়োম্বা অপিকপা শেনফমদগী হৌরগা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা পীরকপা শেলয়ামশিংগী মতাংদা কনামত্তনা মীমাং থোক্লা ক্বেসন তৌনরক্তুবসু পীরকখিবা/থাদরকখিবা শেনফমনা কয়ানো? শীজিন্নখিবনা কয়ানো? করম-করম্বা হীরমদা শীজিন্নবা ওইরমগদগে? কোভিদ-১৯ পেন্দমিক লাকশিন্নবা হোৎনবগী থবক্তা মীয়াম্না পিশুম শুক্কদবা, মিৎ নাগদবা থৌওংগদি চত্থরম্লোইদ্রা হায়বনচিংবশিংগী মতাংদা মুরুম-মুরুম শোন্নরকপা য়াওরে। মপান থোরক্তুনা মশক উদ্রবসু ফুমদুনা ওন্নগা চাক্নবা ৱাহংশিং ওইরক্লি।

অদুবু মপান থোক্লা চাক্কেরা চাকওইরা, ফুমগেরা, ওমগেরা ত্রান্সপরেন্সিনা য়োমদুনা অশেংবা-অচুম্বশিংতমক থম্মোয় শেংনা তৌবা, চত্থরকপা থবক-থৌরমশিং ঙাক্তা ওইরবদি কোভিদ-১৯ পেন্দমিক থেংননবগীদমক্তা থাদরক্লিবা শেনফমশিং কয়ানো? কয়া শীজিন্নখ্রে, করম-করম্বা মরমশিংদনো? কয়া লেম্মী হায়বনচিংবসিগী মতাংদা মীয়াম্না দিমান্দ তৌনরকপা লৈত্রবসু ক্বেসন তৌনরক্ত্রবসু পুথোকপা য়াই, পুথোকপদা করি কায়বগে? লৈঙাকসি শেঙ্গা-থুমজা অমসুং হুরান-লোঞ্জাগী থবক তৌদে, একাউন্টেবিলিটি ঙাক্লা, ত্রান্সপরেন্সি লৈনা মীয়ামগী থৌগল তৌরি হায়বসি ময়েক শেংনা খঙহনফম থোকই। মসিনা নকশিল্লক্লিবা অনৌবা মীখলসিগী কেম্প্যেনদা লৈঙাক পায়মিন্নরিবা পার্টিশিংগী লেমজনীংঙাই অমসুং চাওথোকচনীংঙাই ওইরোইদ্রা? নাকল অমরোমদা লৈঙাকসিনা মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা চাওখৎ-থৌরাংগী থবকশিংগী শেনফমশিংগীদি 'হ্বাইট পেপর' পুথোক্কনি হায়বা ৱাফম হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়রিবনি। মসিনা ষ্টেটসিগী চীংগী দিষ্ট্রিক্ট খক্তগী ওইবা ৱাফমনি। মায়োক্নরক্লিবা, থেংনরক্লিবা পেন্দমিক অসিদি মণিপুরগী চীং-তম অনীমক্কী ওইবা ৱাফমনি। পেন্দমিক অসিদা ইনভোল্ভ তৌদবা মীওই য়াওশিল্লক্তুবনি। অদুগা কোভিদ পেন্দমিককী মতাংদা হ্বাইট পেপরগী ৱাফমগা থোরক্লিবসিনা হন্দক পেন্দমিক অসিগা মরী লৈননা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) শিং মথং-মথং ফাইল তৌনরকপনসু থোকহল্লকপনি। পি আই এলশিং অদুগী মনুংদা নম্বর ১৬ ওফ ২০২০ (হিলসন অঙম ভর্সেস ষ্টেট ওফ মণিপুর) অমসুং নম্বর ২৬ ওফ ২০২১ পনবা য়াই। অকোনবগী পি আই এল অসি নরেশ মাইমোম কৌবা পিটিস্নর অমনা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী রেসপোন্দেন্টশিংগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবনি। অনীশুবা কেস অসিগী চত্থরক্লিবা ৱায়েলগী মতুংইন্না কোর্টনা পীবা দিরেক্সন্দগী মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র অমসুং ষ্টেট লৈঙাককীসু লোয়শঙসিগী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকপা এদিসনল এফিদেবিটশিংদদি 'ইন্দিয়া কোভিদ-১৯ ইমর্জেন্সি রেস্পোন্স এন্দ হেল্থ সিষ্টম প্রিপ্যর্দনেস পেকেজ-টু (ঈ সী আর পি - ফেজ টু)' গী অহানবা ইন্সটোলমেন্টকী শেনফম মণিপুর লৈঙাক্না শীজিন্নবা ঙমদ্রে হায়রকখি। কোর্টতা পীখৎলক্লিবা ৱাফমসিনা অচুম্বা ওইরগদি 'হ্বাইট পেপর' গী মথৌ তঙাইফদনা তারকই। লুপা ক্রোর ১১গা লাখ ৬০গী শেনফমদু শীজিন্নদ্রি হায়রক্লিবসি শীজিন্নবদা অরানবগা তোৎশিন্নখিবদগী য়ুটিলাইজেসন সর্টিফিকেট পুথোকপা ঙমদবদগী শীজিন্নদে হায়রকপা ওইগদ্রা হায়বসিসু হংফম থোক্লি। মসি পূম্নমক 'হ্বাইট পেপর' পুথোক্লগদি খঙলোইদ্রা হায়বনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৯

১) *"থাপ্নরিবা"* হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **"মপারি লৈরাংতোন্দা শাৎপা শিংলেনতোন্দা পোকপা উনৌ কোন্দেল্ কোন্না হুন্ শলেন্ লাইফাও থিনবা, খোইয়ম লাইপোক শংশংবা চেংলৌ শক্না হেনবা, পুনুং লিন্না ঙানবা, খোইয়ম লাইবু নীংবগী কোলোই মমিংথোংদি বৃষকেতু তৌনা কৌএ। বৃষকেতু ভক্ত ৱারী লমদাংশাংবু হয়া লাওনা শৈথিরক্কে।"** ৱাহৈ পরেংশিং অসি করি লাইরিক্তগী লৌথোকপনো?

৩) বৃন্দাবনলাল বর্মাগী **"মৃগনয়নী'** হায়বা উপন্যাষ অসি মণিপুরীদা করি মমিং থোন্দুনা কনানা হন্দোকপগে?

৪) *"সীতা বনবাস"* হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৫) *"মহাভারতকী শকুনি অমসুং শকুনিগী ৱাশক"* হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫,নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৫০
## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

**চাইথোরকপা ৱাখল**

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

আর্টিষ্ট অমনা আর্টিষ্ট অমবু থোইদোক্লা হাক্লা লুনা লৌগদবনি, ইকায়খুম্নগদবনি। ঐখোয় মশেল অসি অমনা অমবু থৌগল্লোন কায়দনা অৱাংবা থাক্তা কামিন্নবা হোৎনগদবনি হায়বসি লৈখিদ্রবা নব চাকথেকপীনা মতম চূপ্পদা খনখিবা ৱাখল্লোননি। মহাক্কী ৱাখল্লোন অসিগা লোয়ননা মহাক্কী ঈশৈগী থৌরম অমমম **'অরি অনৌগী লংদাইদা'** হায়না মীংথোন্দুনা চহী খুদিংগী হেক হেক শীন্দুনা লাকই। মাগী ৱাখল্লোন অসি ঐনসু য়াম্না পামজখিবা অমা ওইখি। অদুনা য়াম্না সপোর্ট তৌখি। মহাক্লা লীলা তোক্লবা ফাওবদা হায়রিবা থৌরম অসিমদি লেপ্তুনা পাঙথোরকখি। মহাক্কী থৌরম অসি মীপূম অয়াম্বনসু য়াবীখি। মঙোন্দা মতেং য়াম্না পাংবীখি। তৌবগীদি মহাকসু শেল পায়জবা মীশক অমা ওইদবনা ময়ামগী মতেং নীজখি। মদুদা মপূং ওইনা তৌখিবা থবকশিং অসি - তোঙান তোঙানবা আর্টকী ফিল্ডদা মশক নাইরবশিং অসি মহাক্লা মমেন্টো, সোল অমা অমদি সর্টিফিকেট ওফ ওনর পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎচবা অসিনি। মসিদা মহাক্লা কোনশিন্দবা আর্টিষ্ট অমত্তা লৈখিদে। থৌরম অসিসু ঐহাক্লা কুইরবগী মমাঙদা, কৈশামথোং থোইবী হায়বা প্লে অসিনা শো ৩৫০ শুরকপগী থৌরম অমা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমি হোলদা শীন্দুনা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা মণিপুরগী মশক নাইরবা, ময়াম্না নীংশিংবীখিদ্রবা শুমাং লীলাগী অহল লমন কয়াদা ইকায়খুম্নবা উৎচবগী থৌরম অমা শীনখিবনি। মদুগী ৱাখল পরিং অদুদা মহাক্লা থৌরম অসি চত্থরকখিবনি। মহাক্লা লৌখৎলিবা অহলশিং অদুনা নট সঙ্কিত্তন, পেনা, খুল্লং ঈশৈ, খোংজোম পর্ব্ব, মতম ঈশৈ শকপশিং, ওর্কেষ্ট্রেল আর্টিষ্টশিং, শুমাং লীলাগী, ফিল্মগী, থিএটরগী আর্টিষ্টশিং, ৱারী লীবা, লাইরিক থিবা, লোইনমক্কী অহল লমনশিং অসি কুম কুম খুদিংগী হোং হোংদুনা ইকায়খুম্নবা উৎপনি। মসিগা চপ মান্ননা নৌনা হৌরক্লিবা নহাশিংদসু থৌনা হাপচবা ওইনা অখন্ননা মীওই খরা লৌখৎতুনা ওনর পীখি। মসিমদি মঙোন্দগী চাউনা তমজনীংঙাই লৈরি। মসি ঙম্নবা হোৎনবদা মহাক তূমদ-চাদবমখৈ মীঙোন্দা টিকেট য়োল্লি। অচৌ অশাংশিংদা হায়জদুনা মতেং পাংহল্লি। অদুগা নুমিৎ অদুদা আর্টিষ্টশিং অদুনা হরাও হরাওনা লাক্তুনা অচম্বা থৌরম অমগা লোয়ননা খুদোলপোৎ পীজবদা হরাও তয়াম্বদুনা মহাক্কী মমল ওইখিবনি। অদুগা ঈশৈগী থৌরমশিং মখা চত্থদুনা লাকপীরিবা মীয়াম্বু মহাক্লা পেলহনখিবা য়াম্না নুংঙাইবা থৌরম অমা ওইখি। অদুনা কুম খুদিংগী ঐঙোন্দসু মী ময়াম অমনা নবগী অরি অনৌগী লংদাইদা হায়বদু করম কান্দা তৌগদৌরিবনো হায়না তোয়না তোয়না হংখি।

মসিনা তাক্লিবসি আর্টিষ্ট অমা ওইনা মহাক্লা আর্টিষ্টশিংবু ইকায়খুম্নবা কয়া য়াম্না উৎপা পামজবগে হায়বা অদুনি। অদুননি মহাক অসি লম্ খুদিংদা লৈবা আর্টিষ্ট অহল লমন কয়ানসু মহাকপু নুংশিখিবা। মাগী পুকচেল অদুদনি। থৌরমদু ওইনবা, মায় পাক্লবা হোৎনবা মতমদা মহাক্লা ৱাজখিবা, মসিগী চাউখ্রবা ৱাখল্লোন অমদি পাঙ্গল অসিমদি ঐগুম্বা অমনা পাক তম্বদা ঙম্লরোইদবা থবক অমনি। খুদিংমকশিং অসি শেল য়াম্না চঙবা ঙাক্তনি। মদু মহাক্লা ৱাই হায়বা থিদনা ঙম্নবা হোৎনখিবনি। থৌরমসি কুম খরদি কাংলুরে। শিনবা ৱাবগী ওইরম্বা য়াই। অদুবু মহাক্কী ৱাখলদদি মদু শিন্নবগী থৌরাং লাংনবা ৱাখলদি লেপখিদে। নোংমা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভেলপমেন্ট সোসাইটিদা থেংনৈ। অখন্ননা নাকল অমদা থোকমিন্নদুনা ৱারী শানখি। "ভাই অরি অনৌ লংদাইদু অমুক শীন্নবা তৌরগে, হন্দক্তি মহৌশাদগী খরা হেন্না চাউনা শীনগনি, ভাইসু অঙম্বা মতেং পাংবীদবা য়াদে। অহল ওইশিল্লকপা অসিদা মতুং শীনবা ঙমদবসু য়াই। অমুক্তংদি য়াম্না নিংথিজনা, চীফ মিনিষ্টর ফাওবা য়াওনা শীন্নবা থৌরাং তৌরিকো" কয়াদা ৱাখল চাউখ্রবা মীশক অমনো? আর্টিষ্ট অহল লমন কয়ানসু মহাক্কী থৌরমদা লাম্হোকখিবা সর্টিফিকেট ওফ ওর্নর অদুনা মখোয় মখোয়গী বাইও-দাটাদা অমদি করিয়রদা রিফ্লেক্ট তৌরি। মসি য়াম্না নুংঙাইবা অমনি।

য়াম্না নোক্লিংবা অমগা নীংশিংলক্লে, লাই হরাউবগী লীলা শান্নবা অমা চৎপনি। য়াম্না ঙন্না হৌগনি হায়না চৎলগা লাইগী থৌরম পরেং অমা লৈবা, অদুগা থৌগল তৌগনি হায়দুনা জগোয় তম্নুরগা ফিজেৎ লৈতেংদুনা লাকপা লৈকায়গী নুপীমচা, নুপামচা ময়াম অমসু লৈবা, অদুনা লীলাদু খরা থেংনা হৌদবা য়াদবা ফীভম অমা লাকখি। মদুদা পুক লাম্মন্দুনা চা থক্লুসি হায়দুনা ঐখোয় অনীনে অদুগা অতোপ্পা আর্টিষ্ট অমা/অনীনে হোটেল মচা অমদা লাকখি। হোটেলদু লৈকায়দুদা অদুম ফমজবা অহল হনুবী অমনা ফম্বা হোটেলনি। লাই হরাউরিবা মফম অদুগা খজিক লাপনৈ। ঐখোয়গী অহলশিংনা ফম্বা হোটেল থিরগা হেক হেক চঙই। অহলশিংনা হৌবা বোরা অমদি ঙৌবা কাঙহৌনা হেন্না হাওবোই খল্লি। অদুনা অহল ওইরবী ইমাশিংনা ফম্বা হোটেলসি হেক হেক থিবনি। মদুদা থেংনবা হোটেলনি। ইমাদুগী হোটেল মচাদু ফম্ফমগসু লৈরম্মী। ঐখোয় চঙশিল্লগা চা-বোরা চাই। বোরাদু পিক্তক পিক্তক বেসোনগা মরোই নাকুপ্পীগগী বোরানি। য়াম্না হাওই। নবনা ইমাদুদা হংই, "ইমাগীসি চাক্তি থোংদ্রা?" ইমাদুনা খুন্মী, "কাইদৈনোদা থোংদেদা, অয়ূক্তদি তল খরা হৌই"। ইমাদু নুংঙাইত্রজাৎনি, "নোইবু লীলা শান্নদুই নৎত্রা?" নবনা মানি ইমা, লীলাসি য়াম থেংদৌ মাল্লে, চাক লাম্বনা লোইরেদা" ইমাদুনা 'ও অদুদি ইমা খরা থোংবীগে, হঙ্গোইগদ্রা?" মানা হরাওনা খুন্মী, "হঙ্গোইরোই থোংবীয়ু ঐখোয় মরিগী", অনী অমদি চারোই হায়রকপদগী "ঐখোয় অনীগী থোংবীরো, এঞ্জাংদি কাংশোই থোংবীরো ইমা হায়দুনা ঐগী য়াওনা মানা খৃৎ থেকখি" মানা ইমাদুদা শেল খরা পীশিল্লি। অদুগা ঐখোয় থোরক্লে। অথেংবদা ইমাগী ফোঙ ফোঙ শাবা মনিল কাবা চাক্তু ইবানিনা চারগা, "সি য়ৌরদি হোরেন নোং ঙাল্লমদাইদা লীলা হৌগে হায়রসু বেরা লৈত্রে" হায়না পুক থন্না চাখি। মবুক য়াম্না চাউবা মীশকনি। মমাঙদসু পঞ্জখ্রে, মবুক চাউবগী মতিক মবুকচেলসু চাউবা মীশক অমনি হায়না।

নোংমা ময়াম্নসু হায়বদি পার্টিনসু য়াম্না শাউনীংখিবা নুমিৎ অমগা লৈখি, শুম মরী মরী নীংশিংলকপদা পঞ্জবনি পাবীরিবশিংনা ৱারৌবীরোই, নুমিত্তু শো অহুম লৈবনি, সেকেন্দ শো মফমদুদা ময়ামসি ফজনা তিল্লম্মী। লীলা কৌরিবা লৈশাবীশিংদুনা, লীলাদু ঙাইহাক্তা ঙাইবিখো, মখোয়গী মমান্নবীশিং থোক্নরক্দবা খরা ৱাৎলি হায়না হায়বদগী ঈশৈ খরা হেন্না শকই। মানা ঈশৈসি শকপদা তিল্লিবা ময়ামদুনা অঙকপা ফংনা পেন্নখ্রে। অদুনা শেলসি য়াম্না থাই। মাসু মুদ অমা কারক্তুনা ঈশৈসি অমা হেক লোইবগা অমা হেক্তা শকচিল্লি। মথং মথং শকপদুনা ঈশৈ তরামুক শক্লে। অদু ফাওবদা তারিবা ময়ামদুনা শকপীখো শকপীখো হায়না লাউই। মাসু পাক লোইশিনবা ঙমদ্রে। শোমদদি মথং শো লৈবনিনা, ঈশৈদু শকপা তোক্লো, লীলা ওইনা হৌরসি হায়বদা, তারিবশিংদুনগা য়াদবনে, মানগা খরা শকনীংবা নুমিৎ থোক্লুবনে, শুংলোই হেক লোইশিন্দদুনা মরী মরী শকথরকপদা, পার্টি মনুংদা শাওনরক্লে, কৈনো মানা তৌরিসিবো, পুং আ য়ৌনা তারকানসিদা হায়দুনা। তৌবগীদি মথং শোগী মতমদু য়াম্না থেংখ্রনি হায়দুনা ঐখোয়না ফি শেৎফমদগী মানা ঈশৈ শক্লিঙৈদুদা লীলাদু থোক হেক হৌজিনখি। মদুদা মাসু য়াম্না শাউখি, পার্টিনসু মঙোন্দা ঈশৈ শুম শকপগী শাউখি। ভাবোক ময়ামসু করিনো তৌরিসিবো হায়না ইঙক ঙক্লখি। অদুবু ভাবোক অয়াম্বনদি মাগী মীচং চঙখি। নুঙাই নুংঙাইবা থৌদোক কয়া অমা লৈরি। নোংমনা ঐখোয় ময়াম ৱাস্থখৈ নোকপা নুমিৎ অমতংগা তমজগে, য়াম্না অহল ওইরবা হনুবা, ফৈজোমগা শেৎপা অমা লীলা ফি শেৎফমদা মাগা চঙমিন্নরকই। হনুবদুনা নবদা ভাই কৌই, নবনসু হনুবদুদা ভাই অদুম কৌই। মানা ঐখোয় ময়ামদা মাগী ভাইদু মশক তাকই। "ঐগা তিন্নবা ভাইনি, ময়াম শক খঙনহন্নীংদুনা পুশিল্লকপনি। ঐখোয় ভাইসি লীলা য়েংনেনা মমাঙদা ফম লৈরম্বদগী ঐনা পুশিল্লকপনি। মমাঙঙৈ ঐনা ঈশৈ শকপা কন্না চৎলিঙৈদগী ভাইসি তিন্নরকপনি, ঈশৈসি থৱায় য়াম্না য়াওবনি, ময়াম খঙনৌ' মাগী ভাইদুনসু ঐখোয় ময়ামদা "ঐগী ভাইসি কুইরে উনদবা, ঙসিসি মা য়াওবা লীলা অমা তৌদৌরি হায়দুনা য়েংগে হায়না লাক্লিবনি" হায়না ঐখোয়দা অমুক্লা হেন্না শক তাকপীরে। নবনা মাগী চহী লোঙ্গাসু নত্তবা হনুবা অদুদা ভাই ভাই কৌনবদুদা ঐখোয় ময়ামসি পূক্লি পায়দুনা নোকখিবনি। মানা অহলদু পুশিল্লগা লীলা মমাঙদা ফমহল্লুরগা, ঐখোয়গী নাক্তা অমুক লাক্লুগা মচি অমদা থোক লাউনা হিপচিল্লগা হা হা হা হায়না শিথ-শিথখৈ নোকখিবা মাগী মতৌদু নীংশিংলগা ঐদি হৌজিকসু য়াম্না নোক্লিংলি। ওন্থোক্লা নুংঙাইখ্রবা মীশক অমা মাঙজরেদকো খল্লুবদা হেন্না নুংঙাইরক্তে। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১৮৬

**উসম ধনঞ্জয়**

**জন্যুৱারী ২৪, ২০১০ ইং :-** ইম্ফাল ৱেষ্টকী ফয়েংদগী অঙোম ওংবী চানবী অমসুং মচানুপী মেনকাবু তমথীবা মওংদা হাৎলম্বা থৌদোক্তা চেন্নবশিং থা অসিগী ২৬ ফাওবগী মনুংদা পুথোক্লবা মতুং লৈবাক মীয়াম খঙনা চৈরাক পীবিয়ু হায়না ফয়েংগী মীয়াম্না চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীদা তকশিনখ্রে।

মমা-মচাবু তমথীনা হাৎলম্বা থৌদোক অদুগী মতাংদা ফয়েং অমদি অকোয়বদা লৈবা খুঙ্গংশিংগী মীয়াম শরুক য়াদুনা ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অমনা জে এ সী অমা শেম্বগা লোয়ননা মীহাৎপশিং পুথোক্লবা ৱাকৎখিবনি। ফয়েং অপূনবা নুপী-নুপা অমসুং চীংঙু পাঙনবা সোসল ৱেলফেয়র এসোসিএসননা পূন্না শীন্দুনা ঙসি ফয়েং সাবল লৈকায়দা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম অমনা ইহান হানবা ওইনা তমথীরবা মীহাৎ অসি থিজিননবা অমদি গভর্ণমেন্টতা ৱাফম কয়া তকশিন্নবা জে এ সী অসি শেমখিবনি। সঞ্জেনবম, লাইরেনকাবী, কদাংবন্দ, সাইরেম খুন, তাইরেনপোকপী, কৌত্রুক, তেরা উরক, অতোঙ খুমন অমদি কাংচুপনচিংবা খুনশিংদগী য়াল্লবা মীয়াম অমা মীফম অদুদা তিনখি। সেকমাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী হান্নগী এম এল এ নিংথৌজম বিরেন য়াওনা মীহাৎ অদুগী মতাংদা জে এ সীগী মীহুৎ কাঙবু অমগা সী এম ইবোবীগা নুমিদাং উনখি।

জে এ সীনা সী এমদা পীশিনবা মেমোরেন্দম অমদা, মীহাৎপা পুথোকপীয়ু, লৈখিদ্রবী মমা-মচাগী পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌবদা ভিদিও কভরেজ তৌবগী মথক্তা জে এ সীগী মীহুৎশিং য়াওহনবীয়ু, লৈহৌরিবা মচা অহুম্না মরোমদোম লেপচবা ঙমদ্রিবা ফাওবা গভর্ণমেন্টনা হীরম খুদিংমক্তা মিৎয়েং চঙবীয়ু হায়বা ৱাফমশিং য়াওরি। ৱাফমশিং অসি থবক্তা ওন্থোকত্রিফাওবা অশিবা হকচাং লৌরোই অমদি মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা খোঙজং কয়া চঙশিনগনি হায়নসু পল্লি।

মখা তানা ঙসিগী মীফম অদুনা লৈহৌরিবা অঙাং অহুমগী অফ-ফত্ত পূম্নমক নখোয়না পুগদবনি হায়না মখুরা মতোনশিংদা শিন্নখি। মমা-মচা অনী অসি থা অসিগী হৌখিবা ১২ অমসুং ১৩গী লোন্নবা অহিংদা ময়ূমদগী মশক খঙদবশিংনা কৌথোকখ্রগা অয়ূক্তা শিনা ফংবনি।

চৈরক অসিদা কংলৈচলনা মমা-মচা তমথীনা হাৎলম্বগী থৌওং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি।

মীওইবগী লীচৎ য়াওদবা কনানা নৎত্রগা করম্বা খূৎপুনা মীহাৎ অসি চত্থরল্লিবনো হায়বদু মরী লৈনবা ওথোরিটি অমদি মীয়াম হুপ্না থিদোকমিন্নদুনা মতিক চাবা চৈরাক পীহৌসি হায়না কংলৈচলগী চেরোল অমনা মখা তারক্লি।

**জন্যুৱারী ২৪, ২০১০ ইং :-** মী হাৎকনু হায়বা মীয়ামগী দিমান্দ মায় পাক্নবগীদমক অমুক্তং ঐখোয়গী অপূনবা লিংজেল শাগৎনসি হায়না জুলাই ২৩গী থৌদোক্লা মরী লৈননা এন এস এ পান্দুনা জেলদা লৈরুরবী মেমচৌবীনা মীয়ামদা থল্লক্লি।

ৱার্কিং কম্মিটি ওফ দি অপূনবা লূপনা শীন্দুনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা জুলাই ২৩গী ঈহৌদা জেলদা লৈবাক মীয়ামগী ঈহৌগা মরী লৈননা লৈরুরবা অপূনবা লূপকী লুচিংবা-লুচিংবীশিংবু তরাম্না ওকপগী থৌরমদা ৱা ঙাঙখিবী মেমচৌবীনা হায়খি, মী হাৎপা লেপ্পু, মীয়ামদা দেমোক্রেটিক রাইট পীয়ু হায়দুনা মীয়াম্না তোঙান তোঙানবা খোঙজংশিং ঙসি ফাওবা চঙশিন্দুনা লাক্লবসু সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মী হাৎলি। মীয়ামগী দিমান্দশিং অসি ফংনবগীদমক মীয়ামগীমক্তা থোক্লক্লিবা ওর্গনাইজেসন খুদিংমক অমুক্তং পুকচেল খোইজেল তিন্নসি, তোয়না উনসি, অপূনবা লিংজেল শাগৎসি হায়না পোইরৈ লৈমরোল অপূনবা মৈরা পায়বী লূপকী প্রসিদেন্ট ওইরিবী মেমচৌবীনা আপীল তৌখি।

নেসনল সিক্যুরিটি এক্টকী মখাদা জেলদা ফাজিন্দুনা নুমিৎ ১৫৫নি লৈরুবা অপূনবা লূপনা রবিনা অমসুং সঞ্জিৎ মীহাৎকী জে এ সীগা মণিপুর গভর্ণমেন্টকা য়ানবা পুরকখিবদগী কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্লবা অপূনবা লূপকী থৌমী ১১বু ৱার্কিং কম্মিটি ওফ দি অপূনবা লূপনা তরাম্না ওকপগা লোয়ননা থৌমীশিংবু পূক্লিং থৌগৎখি।

তরাম্না ওকখিবা থৌরম অদুদা জেলদা লৈরুরবা থৌমীশিং অদুদি এন মেমচৌবী, ইমা ঙানবী, কে সুনিল, জিতেন য়ূম্নাম, এ সোকেন, ওইনাম বিক্রমজিৎ, ব্রোজেন, সোলোমোন, ইমা মেম্মা, ইমা ইবেমহল অমসুং ইমা শখিনি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা সোসল ৱার্কর টি ঐচ ইবোয়াইমনা হায়খি, জুলাই ২৩গী মীয়ামগী ঈহৌ অসিনা ঐখোয়দা নিংহন্নবা পোক্কদবা নত্তে, অহৌবনি খনগদবনি, অওনবা পুরক্নবগীদমক হনবা লৈতনা চঙশিনগদবনি অমদি মীয়ামগীদমক লৈবাক্কীদমক হোৎনবদা অমাঙবা অমত্তা লৈতে।

কে সুনিলনা হায়খি, মী হাৎপা য়ারোই, অচুম্বা ৱায়েল চথৌ হায়রুবগীদমক্তা এন এস এদা পানশিন্দুনা জেলদা থমজিনবা হায়বসি য়ানীংদে অমদি এন এস এ হায়বা এক্ট অসিগী ৱাহন্থোক লৈনা মণিপুরদা শীজিন্নদে অমদি মণিপুর মীয়ামগী ঈহৌ খুদিংমক মরম চাবা দেমোক্রেটিক ওইবা ঈহৌ ঙাক্তনি। পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা পুকচেল শেংনা মীয়ামগী খন্না থবক তৌবা তারবদি নুমিৎ তরানি ফানা ঈহৌ চত্থনীংঙাই লৈতে হায়না পল্লদুনা মহাক্লা হায়খি, মণিপুরদা থা মঙা শাংনা ঈহৌ চত্থখিবা অদু মণিপুরদা দায়ত্ব লৈবা গভর্ণমেন্ট লৈতে হায়বদু তাকপনি।

জুলাই ২৩গী থৌদোক্লা মরী লৈননা অচুম্বা থিদোক্নবগীদমক সী বি আইদা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা শিন্নখ্রিবা অসিদা সী বি আইনা মীয়ামদা অচুম্বা পুথোক্ত্রবদি অপূনবা লূপকী খোঙজং মখা তানা চঙশিনগনি অমদি অপূনবা লূপ মায়থীবা নত্তে হায়বা ৱাফম কে সুনিলনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ও বিক্রমজিৎনা হায়খি, মীচম হাৎপা য়ারোই হায়না চঙশিল্লকপা মীয়ামগী খোঙজংবু মায়থীনবা হোৎনবা সিভিল সোসাইটি অমগী মথৌ তৌদবা ৱাখল খন্দবা লূপশিং হান্না মুথৎখিসি।

জিতেন য়ূম্নামনা হায়খি, জুলাই ২৩গী থৌদোক্কী মতাংদা মণিপুরদা চত্থরিবা শাশিন্নবা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌওংবু মালেমগী লৈবাক কয়াদগী য়ানীংদবা ফোঙদোকপা কয়াদা অপূনবা লূপনসু তৌবিমল খঙবা উৎখি। থৌরম অদুদা অপূনবা লূপকী কোওর্দিনেটর এন বিমোল, এ লাংদোল অমসুং এস সঞ্জয়না প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

**জন্যুৱারী ২৪, ২০১০ ইং :-** চেন্নাইদা রেস্ক্যু তৌখিবা অঙাং ১৭কী মমা-মপাশিং মীপাইনবগা লোয়ননা অঙাংশিং অদু লৌথোক্লবগী মতাংদা ৱা তানবা হৌখ্রে। অঙাংশিং অদুগী মমা-মপাশিংনা চাইল্ড ৱেলফেয়র কম্মিটিগা পাউ ফাওনদুনা অঙাংশিং অদু লৌথোক্লবা কন্না হোৎনরি।

অঙাং ১৭ অদুগী মনুংদা খ্বাইদগী অঙাং ওইবী চহী ১২ শুরবী নুপীমচা অমসু য়াওরি। অঙাংশিং অদু লৌথোক্লবা নরসিংহগী য়ূমদা ৱা তানখিবগা লোয়ননা চেন্নাইদা লৈবা চাইল্ড ৱেলফেয়র কম্মিটিগা ফাওননবা হোৎনরি।

পাউমীনা নরসিংহগী য়ূমদা চৎতুনা অঙাংশিং অদুগী মমা-মপাশিং উনরুবদা অঙাং ১৭ অদু নরসিংহগী য়ূমদা পুল্লপ পুল্লগা লৈকায় অদুদা লৈবা সামোম হেরোজিৎ (২৭) অপোকপা জনমেঞ্জয় অমসুং শওম্বুংদগী রাকেশ কৌবা অমগা মখোয় অনীনা চেন্নাইগী খৃষ্টিয়ন স্কুল অমদা লাইরিক তমহনগনি হায়না পুখিবনি হায়বা খঙবা ঙম্লকখি।

অঙাং ১৭ অদু লৌরেম্বমদগী তরুক, কোদোমপোকপীদগী অনী, মৈজ্রাওদগী অমা, লৈমপোকপমদগী ১, সঞ্জেনবমদগী অনী, শঙাইপ্রৌদগী অমা, নম্বোল ওইনামদগী অমা, সেনাপতি শাবলদগী অমা অমসুং থৌনাওজমদগী অমনি। চেন্নাইদা লেম্না লাইরিক তমহনগনি হায়না হেরোজিৎনা অঙাং অমদগী লুপা লিশীং ১০/১০ লৌরগা মমাঙ চহীগী জুলাই ২৮দা চেন্নাই য়ৌখিবনি। চেন্নাই য়ৌখিবদগীদি অঙাংশিং অদুগা মমা-মপাশিংগা ৱারী শুকশা-শানহনখিদ্রে অমদি চিংনবদগী হেরোজিৎতা হংলুবদা অঙাংশিংগা ৱারী তোয়না শানরবদি য়ূমদা থোক্লিংগনি হায়না খুন্নকখি হায়রি।

মমা মপাশিংনা হেরোজিৎতা কন্না তকশিনবদগী থা অমগী তারিখ ২০ খক্তদা ৱারী শানহনখি অমদি ৱারী শানবদা অঙাংশিং অদুনা করিসু তৌদে, য়াম্না নুংঙাইরি, য়ূমদা লাক্লিংদে হায়রকই হায়রি।

নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা অঙাং ১৭ অদুদা য়াওবা শিতলজিৎ কৌবা অঙাং অমগী ককা জুগেশ্বরনা অঙাংশিং অদু উনখি। উনখিবা অদুদা শিতলজিৎনা জুগেশ্বরগী মখোঙ কোল্লগা য়ূমদা পুবিরো হায়না কপখিবগী থৌদোকসু লৈখ্রে হায়না মমা-মপাশিং অদুনা ফোঙদোরক্লি।

অঙাংশিং অদু থল্লিবা য়ূম অদুগী চেকপল ৱাংমদা খরা চাউবা অঙাং অনীনা চেদা মখোয়গী মমিং মথা, লৈকায় অমদি টেলিফোন নম্বরনচিংবা ইরগা লংথোরকপদগীসু অঙাং অদু অৱাবা ফীভমদা লৈরে হায়বা খঙনরকখিবনি।

মরী-মতানি হায়না থাজবা থল্লগা অঙাংশিং অদু শিন্নখিবনি। অদুবু হেরোজিৎনা তৌরিবা অসিগী মতুংইন্না মহাক্কী থবক্তা চপ চাবা এক্সন লৌহন্নীংই, লেম্নদি থানিংদ্রে হায়বা ৱাফমসু মমা-মপাশিং অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখি। ●